# খোঙজং চঙশিল্লিনৈঙদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা গাড়ি থৌজিল্লকপদগী মীওই ৫ শিরে



য়াঙোন, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারদা লৈরিবা মিলিটরি জুন্তাগী মায়োক্তা মীয়াম্না ঙসি চঙশিনখিবা খোঙজং অমদা খঙহৌদনা খোঙজংল্লোয়শিং অদু তম্না থৌজিল্লকখিবা সিক্যুরিটি ফোর্সকী ট্রক অমনা থোম্বদগী য়ামদ্রবা মীওই ৫ শিখ্রে অদুগা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না লোকল ন্যুজ পোর্টেল ম্যান্মার নাউগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরল্লি।

রিপোর্ট সিগী মতুংইন্না থৌদোক অসি ঙসি ম্যান্মারগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি য়াঙোনদা থোকখিবনি। সিটি অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না হান্নগী ওইবা লৈঙাক অদু অমুক লৈহন্নবা মতম মতমগী ওইনা খোঙজংশিং চঙশিন দুনা লাক্লি। ঙসিসু মমাংদা তৌখিবা অদুগুম্না সিটি অসিগী মরুওইবা লম্বী অমদা য়াল্লবা মীওইশিং থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা মিলিটরি লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা খোল্লাউ কয়া লাউখি। মীয়াম্না য়ানিংদবগী খোল্লাউ কয়া লাউরিঙৈ মরক অদুদা তুংলোমদগী সিক্যুরিটি ফোর্সকী ট্রক অমনা খঙহৌদনা মীয়াম মরক্তা থৌজিল্লকখিবনি। ট্রক অদুনা থোম্বদগী অমদি চেন্দুনা পুবগী থৌদোক্তা মীওই ৫ শিখিবগা লোয়ননা ২০ হেন্না অশোক অপন নংখি। মীশি মীনা অমদি অশোক অপন নংবগী চরাংনবশিং থোক্লিঙৈ মরক অদুদা মিলিটরিনা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওই ১৫ অমসু ফাজিনখ্রে হায়রি।

ঙসিদি খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা মহাকসু গাড়িনা থেংলম্বদগী তুদুনা লৈখি। মতম অদুদা সিক্যুরিটিপর্সনেল অমা চঙশিল্লকখি। মখোয়বু মতেং পাংবা লাকপা মানবদগী অহানবদা মহাক হরাওখি। অদুবু মহাক্কী মনাক য়ৌরকপগা সিক্যুরিটি পর্সনেল অদুনা মহাকপু ফুবা হৌরকখি। মফম অদুদগী মহাক হৌগৎলগা চেল্লকখি। অদুবু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অচেনবা মীওইশিংদসু নোংমৈ কাপখি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মিলিটরি জুন্তাগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

# ফেক্টরি মেনেজর হাৎখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই ১২০ হেন্না ফাজিনখ্রে

ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা পাকিস্তানদা লৈবা ফেক্টরি অমগী মেনেজরবু মীওই খুৎপু খরনা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা মরাল কয়া শিজিন্দনু শিবা য়াবা মওংদা ফুরবা মতুং হিংনা মৈ থাখিবগী থৌদোক অদুদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ১২০ হেন্না পাকিস্তান পুলিসনা ফাদুনা ৱাহং পাউহংগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরল্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী ৱাঙাংলোয় খুরাম সাহজাদনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদদু হকথেংননা চেন্নে হায়না চিংনবা মীওইশিং য়াওনা ১২০ ফাবা ঙমখ্রে। ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থিবনি। মসিদা খ্বাইদগী হেন্না ঙক্লিবদি থৌদোক অদু থোকপা মতমদা তিনখিবা মীয়াম্না লৈখিদ্রবা শ্রি লঙ্কান নেসনেল অদুবু কন্নবা হোৎনবগী খুদম থেংনখিদে। মহাকপু কন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা নাকলদা সেলফি কাপ্তুনা লৈবা ভিদিওশিং ওইনা থেংনখি। মসি মীওইবগী লিচৎ নত্তে।

অমরোমদা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট মেহনাজ রেহমননা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ থিহন্নবা অচৌবা মরম অমা ওইরকপা য়ানা লৈ। ফেক্টরি অদুদা থবক তৌবা মীওই খরনা থবক শুদনা লেম্না পৈশা লৌথোক্লবা হোৎনরুবদা মেনেজর অসিগা নিংঙাই শংদান্নবগী থৌদোক খরসু থোকখি। মসিনা মরম ওইরগা মহাকপু হাৎখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা লৈখ্রে।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মেজোরিটি গ্রুপনা মাইনোরিটিশিংদা ওৎ নৈবগী থবক য়াম্না তোয়না চথরি। মাইনোরিটি মীওই অমগী মথক্তা য়ানিংদবা লৈরবদি মখোয়বু লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা লমদা মরাল অমা হেক্তা পীশিন্দুনা হাৎপগী থবক চথরি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি লৈঙাক্লা মতম চানা থিংহৌনবা হোৎনগদবনি। লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা মীশি মীনাগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদুগী মনুংদা অয়াম্বদি মরাল পিশিনবা ঙাক্তনি। ঙরাংগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মরাল লৈবশিং ফাদুনা চপ চানা চৈরাক পীগনি অমদি কেস অসি মহাক মশানা হকথেংননা য়েংশিনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু থাগৎলি হায়রি।



## বস এক্সিদেন্টকী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ২৩ শিরে

নাইরোবি, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
সেন্ত্রেল কেনয়াগী মনুং চনবা মফম অমদা লুহোংবা য়াওবা চৎখিবা বস অমা থোং অমগী মথক্তা কন্ট্রোল ঙমহৌবদবদগী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা তুরেলদা তাশিনবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা বস অদুদা তোংলকখিবা মীওই ২৩ ইরাক্লদুনা শিখ্রে হায়না কিটুইগী গভর্নর চেরিটি ঙিলুনা ফোঙদোরল্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি অয়ুক থোকখ্রিবা থৌদোক অসি য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবা থৌদোক অমনি। থৌদোক অদু থোকপগী পাউ হেক ফংবগা ফয়র সর্ভিস অমদি অতোপ্পা রেস্ক্যু ৱার্কর কয়া মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চথুবা হৌখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অশিবা হকচাং ২৩ ফংবা ঙমখ্রে। অদুগা মীওই ১২ না কনবা ঙমখ্রে। বস অদুদা পুন্না মীওই কয়া তোংলকখিবগে হায়বা চপ চানা খঙদবনা মরম ওইরগা অহেনবা রেস্ক্যু ৱার্করশিং থাজিন্দুনা তুরেল অদুগী অকোয়বশিং য়াওনা থি হুম্বগী থবক অকনবা মওংদা চথরি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা কনবা ঙমখ্রবা মীওই ১২ অদুগী মনুংদা চহী নৌরিবা অঙাং ৪ য়াওরি।

অমরোমদা লৈবাক অসিগী দিপ্যুটি প্রসিদেন্ট ৱিলিয়ম রাওনা ফোঙদোকখিবদা, কেনয়াদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অকনবা নোং চুখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী তুরেল অয়াম্বা ঈশিং চাওরি। ঙসি অয়ুক কিটুইদা থোকখিবা থৌদোক অদু য়াম্না থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমনি। থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না মখা তাখি।

## ক্রুইজ শিপতা তোংখিবশিংগী মনুংদা ১০ পোজিটিব ওইরম্লে



মিয়ামী, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
ন্যু ওরলিন্সতা ঙসি থুংলখিবা নোরৱেজিয়ান ক্রুইজ লাইন শিপ অমদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জর অমদি ক্রু মেম্বরশিংগী মরক্তা মীওই ১০ কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখ্রে হায়না য়ু এস হেল্থ ওথোরিটিনা ফোঙদোকখিবগা মীওই ১০ অদু আইসোলেট তৌদুনা থমখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা লোইসিয়ানা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা, ক্রুইজ শিপ অদুদা পুন্না মীওই ৩,২০০ রোম তোংদুনা লাকখি। শিপ অসিদা তোংলকখিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লিবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি হায়রি।

পনবা য়াবদি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক হৌগৎলকপা মতমদা দাইমন্দ প্রিন্সেস কৌবা ক্রুইজ শিপ অমদা তোংলকখিবা মীওই ৭০০ হেন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্বদগী জহাজ অদুবু ঈশিংদা মতম শাংনা লৈহনখি। মদুনা মরম ওইরগা জহাজ অদুদা তোংলকখিবা মীওই ১৩ শিখি।

## হান্নগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং হাৎখিবগী মতাংদা থিগৎনবা খঙহনখ্রে

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী ওগষ্ট থা ময়ায় চল্লকপদা টালিবাননা অফঘানিষ্টানদা হান্না লৈরম্বা প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘনিনা লুচিংবা লৈঙাক অদুবু মায়থিবা পীদুনা টালিবানগী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখ্রবা মতুং হান্না অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মেম্বর ওইরম্বশিং পাক শন্না হাৎপগী থবক চথখি হায়না রাইটস গ্রুপশিংনা ফোঙদোরকখ্রবা মতুং য়ু এসনা লুচিংবা ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংনা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্টতা ৱাকৎখিবগা লোয়ননা রাইটস গ্রুপশিংনা ফোঙদোরক্লিবা রিপোর্টশিং অসিনা অচুম্বা ওইরবদি য়াম্না লাইবক থিবা হায়বদু ওইগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ু এসনা ফোঙদোকখিবদা, মমাং থাদা হান্নগী অফঘান নেসনেল সিক্যুরিটি ফোর্স, মিলিটরি পর্সনেল, পুলিস অমদি ইন্টলিজেন্স এজেন্টশিংগী মেম্বর ৪৭ মফম খঙদনা মাঙখিবনি। হায়রিবা হান্নগী অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মেম্বরশিং অসি টালিবাননা ফাদুনা পুখ্রবা মতুং মফম খঙহন্দনা মাঙহনখিবনি। মখোয়শিং অদুগী হকচাং ঙসি ফাওবা ফংবা ঙমদনা লৈরি হায়না রাইটস গ্রুপশিং অসিগী রিপোর্ট অমদা পল্লি। থৌদোক অসি ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা তরাইনা লৌফম থোক্তে। মরম অদুনা হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থিজিনবগী থবক অথুবা মতমদা পায়খৎপা হৌগদবনি হায়রি।

# মৈগী চীং পোকখায়রকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিরে

ইন্দোনেসিয়া, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
ইন্দোনেসিয়াদা লৈবা মৈগী চীং সেমেরু খঙহৌদনা পোয়খায়রকপগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা যুমদগী মপান থোরকপা ঙমদনা লৈরি। মখোয়শিং অদু তেক্ত-কায়দনা রেস্ক্যু তৌনবা অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরল্লি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জাভা প্রোভিন্সকী মনুং চন্না লৈরিবা অচৌবা মৈগী চীং অসি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম খঙহৌদনা পোয়খায়রকখিবনি। প্রোভিন্স অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা লুমাজিং দিষ্ট্রিক্টতা মৈগী চীং পোখায়বখিবগী থৌদোক অদুনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখিবগা লোয়ননা মদুদগী পাইথোরকখিবা উফুল অমদি উৎ মপৈশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা খুঙ্গং ১১ রোমদি মপুঙ ফানা কুপশিনখ্রে। হায়রিবা খুঙ্গং ১১ অসিদগী মীওই ৯০০ হেনবনা মোস্কশিং, স্কুলশিং অমদি থংনবা খুঙ্গংশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা নেসনেল দিজাষ্টর মিটিগেসন এজেন্সিগী ৱাঙাংলোয় অবদুল মুহারিনা ফোঙদোকখিবদা, মৈগী চীং পোকখায়রকপদগী পায়থোরকপা মৈ মহী অমদি অশাবা উৎশিংনা মনাক নক্লা লৈরম্বা মীওই ১৩ চাক্তুনা শিহনখিবগা লোয়ননা ৫৭ হেন্না অশোক অপন নংখি। শোক্লবশিং অদুগী মনুংদা ৪১ দি অশাবা উৎনা চাকথেকখিবনি। মখোয় হৌজিক গভর্নমেন্ট হোস্পিটাল অমদা ট্রিটমেন্ট চথরি। অতোপ্পা মীওই ১০ অমসু উৎ মপৈনা কুপশিনখ্রবা যুমশিং অদুদগী থোরকপা ঙমদনা লৈরি। উৎ মপৈনা কুপশিনখ্রবা যুমশিং অদুদা মীওই কয়ামুক থোরকপা ঙমদনা লৈরিবগে হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

মৈগী চীং পোকখায়বগী থৌদোক অদুনা কা হেন্না শোকহনখ্রবা মফমশিংদা মশিং য়াল্লবা রেস্ক্যু ৱার্করশিং চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পুন্না মীওই ১৯ তেক্ত কায়দনা কনবা ঙমখ্রে হায়না এজেন্সি অসিনা মখা তানা ফোঙদোরল্লি।

# ইষ্ট জেরুসালমদা ইজরেল সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

জেরুসালম, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
ওকুপাইদ ইষ্ট জেরুসালমগী মনুং চন্না লৈবা মফম অমদা ঙসি পেলিষ্টিনিয়ন অমনা ইজরেলি মীচম অমা থাংনা থিন্দুনা শোকহনখ্রবা মতুং মনাক নক্লা লৈরম্বা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা অমুক এটেক চথনবা হোৎনরকপদগী মীওই অদু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না ইজরেল ইমর্জেন্সি সর্ভিসনা ফোঙদোরল্লি।

অমরোমদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা, থাংনা থিনবদগী শোক্লবা মীওই অদু মশাগী চহী ২০ রোম শুরবা জ্যু অমনি হায়না কনফার্ম তৌখ্রে। মহাক হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুং ট্রিটমেন্ট চথরিব হৌজিক মহাক্কী হকচাংগী ফিভম খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মীওই অসিনা দমাস্কস গেট মানক্তা মীওই অমা থাংনা থিন্দুনা শোকহল্লবা মতুং গেট অদুগী মনাক নক্লা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা বোর্দর পুলিস ওফিসরশিংদা অমুক এটেক চথনবা হোৎনরকখি। পুলিসকী মায়কৈদগী মীওই অদুদা খুৎলায় থাদোক্তুনা লৈমায়দা হিপ্তুনা লৈনবা খঙহনখি। অদুবু থাং পায়বা নহা অদুনা পুলিস ওফিসারগী ৱাফম অদুবু ইন্দবগা লোয়ননা মখোয় তম্না চেনশিল্লক্তুনা এটেক চথনবা হোৎনরকপদগী তঙাঈফদনা হাকপু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়রি।

অমরোমদা পেলিষ্টিনিয়ন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না থৌদোক অদু ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অতম্লনা চথখিবনি হায়না মরাল শিরকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওই অদু পোইন্ট ব্লেঙ্কতা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। মতম কয়াগী মমাংদগী ইজরেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মরাল লৈজদ্রবা পেলিষ্টিনিয়নশিং হাত্তুনা লাক্লি। ঙসিগী থৌদোক অসিসু ইজরেলি ফোর্সশিংনা অতম্লনা চথখিবা থৌওংনি হায়রি।

পনবা য়াবদি পেলিষ্টিটিনিয়ন হমাজ গ্রুপকা মরী লৈনবা খুৎলায় পায়বা মীওই অমনা জ্যুৱিস টুর গাইদ অমা জেরুসালমগী ওল্ড সিটিদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মতুং ঙসিগী থৌদোক অসি থোকখিবনি।

## জপানদা লাকপদা অথিংবা থমখ্রে

টৌকিও, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
সাওথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোননা লৈবাক ৪০ রোমদা চৈথেং পীবা হৌখ্রবা মতুং জপাননা পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না অতোপ্পা লৈবাকশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, গ্রীস, রোমানিয়া অমদি সাওথ অফ্রিকা রিজনদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা লাকপদা অথিংবা থমখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরল্লি।

ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মমাঙ চয়োলদা লৈবাক অসিদসু ওমিক্রোনগী কেস অমা ইহান হান্না থেংনখ্রবা মতুং ঙমখৈগী শরুকশিংদা অথিংবা থম্বা হৌখ্রে। মখা তানা লাইচৎ অসি শন্দোকহল্লক্তনবগীদমক মফম মফমদা লোকদাওন থমজিল্লবা য়ানা লৈ।

## জো বাইদেন অমসুং ভ্লাদিমির পুটিন ৱারী শানগনি

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
যুক্রেন ঙমখৈগী মতাংদা য়ু এস অমসুং রসিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানদবা কয়া লৈরিঙৈ মরক অসিদা লৈবাক অনী অসিগী লুচিংবশিং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱারী শান্নরগনি হায়না ফোঙদোরল্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ক্রেমলিনগী ৱাঙাংলোয় দিমিত্রি পেসকোভনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অনীগী মরক্তা হৌখিবা চহী খরা অসিদা য়ানদবা কয়া লৈরল্লিবা অসিগী মতাংদা মরুওইনা খন্নগনি। তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদবগী ওইবা চয়েৎনবা কয়া থোক্লি। মসিনা মরম ওইরগা মালেমগী মীয়াম মাংদা লৈবাক অনী অসি য়াম্না য়েংথিনবা ওইনা উহল্লি হায়রি।

অমরোমদা পেন্টাগোননা ফোঙদোকখিবদা, লুচিংবা অনী ৱারী শাগদৌরিবা অসিদা মরুওইনা হৌজিক হৌজিক রসিয়ানা যুক্রেনগী ঙমখৈ শরুকশিংদা অহেনবা ট্রুপ কয়া দিপ্লোয় তৌরকপদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনরল্লিবা অসিগী মতাংদা মরুওইনা খন্নগনি অমদি রসিয়াগী ফিরেপ হন্দোকহন্নবা তকশিনগনি হায়রি।

## টাইৱান মনাক নক্লা ট্রুপশিং দিপ্লোয় তৌবা হৌখ্রে

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
চাইনা অমসুং ঈথৎ লৈবাক টাইৱান অনীগী মরক্তা ঙমখৈগা মরী লৈননা উংখৎনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিঙৈ মরক অসিদা চাইনানা টাইৱান মনাক নক্লা মখোয়গী ট্রুপশিং দিপ্লোয় তৌবগী থবক চথরল্লিবা অসি লাইবক থিবনি হায়না পেন্টাগোনগী চীফনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা চাইনাগী কা-হেনবা থৌওং অসিনা তুংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়রি।

পেন্টাগোননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, টাইৱানগীদমক য়ু এসনা মতম পূম্বদা লেপ্তুনা লৈরি। হৌজিক হৌজিকসু টাইৱানিজ ট্রুপশিং য়ু এস ট্রুপশিংনা ট্রেনিং পীবগী থবক চথরি। য়ু এস ট্রুপশিংনা টাইৱানদা লৈরিঙৈদা চাইনানা কা-হেনবা থবক চথরল্লবদি য়ু এসতা এটেক চথরকপনি হায়না লৌবগা লোয়ননা চাইনা অমসুং য়ু এস অনীগী মরক্তা অচৌবা লাঞ্জাও অমা থোরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি।

## লুহোংবা য়েথোকচরে

লাক্লিবা তাং ০৬/১২/২০২১ ইং, পোইনুগী ৩নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.০০ তাবা মতমদা মোইরাংকম্পু সাজেব মখা লৈকাইদা লৈবী **কুমারী নোংমাইথেম সরদা দেবী**-গা সাং নিংথৌখোং বজার ৱার্ড নম্বর-২দা লৈবা **শ্রীমান লাইশ্রম সন্তোস সিংহ**-গা লোয়ননা শুভ-বিবাহ পাঙথোকচগনি হায়না তৌরম্বা অদু কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী লুহোংবা অসি মতম কক্তনা য়েথোকচরে।

হায়জরিবশিং :-
নুপী ময়ূম - **শ্রীনোংমাইথেম সুরচন্দ্র সিংহ (মপা)**
**শ্রীমতি নোংমাইথেম ওংবী তোম্বী দেবী (মমা)**
মোইরাংকম্পু সাজেব মখা লৈকাই।
নুপা ময়ূম - **শ্রীমতি লাইশ্রম পিশক দেবী (মমা)**
নিংথৌখোং বজার ৱার্ড নম্বর-২

HL-P/0856/6

## ꯊꯕꯛ / JOB FOR X AND XII PASS

**"NO DEPOSIT REQUIRED"**

Manipurgi manungda oigadaba houjik houjikmak darkar oiriba tongan-tonganba official staff 81 (Male-44/ Female-37) gidamak candidate shingdagi athubagi oina thabak koujari. Mashagi chahi 30gi manungda leiba Class X and XII amashung Graduation tamliba meeoisingna thabak ashi apply toubiraba yagani.

Earning Rs. 7,000 to Rs. 35,000 (PM)

Facilities : Lodging + Fooding + Free tour

Apply toubiningba meeoisingna 12 noon dagi 3 pm phaobagi manungda eshagi Biodata ga loinana office ta lakpiyu.

**Contact : 8812023893 and 9774986962**

HL-P/0809/2,6,8,10/12

## URGENT JOB NEWS

Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016
**(First come & First Chance)**

| Sl. | Name of Post | | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Direct Selection and Joint of Airlines & Airport Post Vacancy in IGI New Delhi/Bangalore & Guwahati. (Fresher/Expt. Semi Govt.) | | | | |
| | i. CTC (HR) (M/F) | | 2,40,000-Facty. | 20 | G/M |
| | ii. CSA Officer/Trainee Executive (M/) | | 40,000-above | 13 | G/M |
| | iii. G-CSA Staff/HMS-Staff (M) | | 20,000-above | 40 | XII/G |
| | iv. BPO Team Leader/Station Manager (M) | | 52,000-above | 30 | Degree |
| | v. Ground Instructor/Flight Engineer (M) | | 90,000-above | 30 | Degree |
| | vi. Security Supervisor/Flight Attendant (M) | | 46,000-above | 30 | XII/G |
| | vii. CO-Pilots/First Officer/Commander (M) | | 75,000-above | 45 | XII/G |
| | viii. ANM/GNM/DMLT/Paramedi/B.Sc./M.Sc. | | 25,000-above | 20 | XII/G |
| | ix. Ground Loader/Cargo Loader (M) | | 20,000-above | 40 | XII/G |
| | x. Air Hostess/Cabin Crew (F) | | 65,000 – above | 20 | XII/G |
| 2. | Banking Staff Requirement of Nationalized Bank. | | | | |
| | i. Banking Sitting Staff (M/F) | 25 yrs | 18,000– above | 10 | G |
| | ii. Account Opening Staff (M/F) | 26 yrs | 14,000– above | 10 | G |
| | iii. Loan Officer Staff (M/F) | 30 yrs | 14,000– above | 15 | G |
| | iv. Credit Card Staff (M/F) | 28 yrs | 8,000– above | 10 | XII/G |
| 3. | Urgent in Imphal Post Vacancy. | | | | |
| | i. Office Reception (F) Micro Finance RO | | 5,000 – above | 8 | X/XII |
| | ii. Security Guard/Ladies Guard (M/F) | | 6,000 – above | 20 | VIII/X |
| | iii. Ex-Servicemen/Security Supervisor (M) | | 8,000 – above | 20 | VIII/X |
| | iv. Security Gunman Guard (M) | | 10,000 – above | 10 | VIII/X |
| 4. | No Deposit Work at Imphal | | | | |
| | i. Officer Managerial Staff (M/F) | | 8,000 – above | 100 | X/XII |
| | ii. Chowkidar & Helper (Couple) | | 10,000 – above | 10 | VIII/X |
| | iii. Local Driver (407 TATA/D.I.) | | 10,000 – above | 10 | VIII/X |
| | iv. VIP Driver/Car Driver/Pump Man/Labour | | 7,000 – Above | 10 | VIII/X |
| 5. | Direct Selection of Merchant Navy (BP/LILY Shipping) in Mumbai. | | | | |
| | i. GP Rating Officer | | 80,000 – above | 15 | X/XII |
| | ii. Diploma in Nautical Science | | 1.8 L – 2.80 L | 15 | G/M |
| | iii. B.Sc. Nautical Science | | 1.8 L – 2.80 L | 15 | G/M |
| | iv. B. Tech in Marine Engineering | | 1.8 L – 2.80 L | 15 | G |
| | v. B. Tech in Naval Architecture | | 1.8 L – 2.80 L | 15 | G |

Date of Submission : 21-12-2021
Date of Interview : 22-12-2021
Pliz Contact : +91 9774361669 / 8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 3.30 p.m.

*Please Contact & Concern*
**Emoinu Job Consultant**
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate

HL-P/0839/6,9,14,16,20

## ADMISSION OPEN

# PHOENIX ENGLISH COACHING

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK

Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.

CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.

6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/7261/2/11-1/12

# XTRA - EDGE SCHOOL

(Affiliated to the Council of Higher Secondary Education, Manipur)
Ghari Awang Leikai, Imphal – 795140

## WALK-IN INTERVIEW

Imphal, the 02nd Dec, 2021

09/AP-XTR/19/001: Application forms, available at the school office on payment of Rs.300/-, are invited from the eligible candidates for the post of Lecturer, Chemistry.

| SL. | NAME OF THE POST | NO. OF POST | EDUCATIONAL QUALIFICATIONS | AGE | SALARY |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Lecturer (Chemistry) | 1 | M. Sc. (Atleast 50%) B. Ed. | Below 45 years | Rs. 20,000/- p.m. (including EPF) |

**Last Date of Form Submission:** 07/12/2021 (Tuesday)
**Date of Interview:** 08/12/2021 (Wednesday)

Sd/-
Principal

HL-P/9578/3,6